# দেল্লীদা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৩২.৮২ য়ৌরে




ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): দেল্লীগী হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপগী অরুবা ফিভম লৈরিঙৈ চৈরক্তা নেসনল কেপিটেল অসিদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং এপ্রিল ২০গী অথেংবা ফাওবগী মনুংদা চাদা ৩২.৮২ য়ৌখিবগা লোয়ননা সিটি অসিগী হেল্থ মেনেজমেন্ট হেন্না লুশিল্লক্লি।

দেল্লী গভর্ণমেন্টকী এপ্রিল ২০গী রিপোর্ট মতুং ইন্না, পূন্না সেম্পল ৮৬,৫২৬ (আর টি-পি সী আর ৫৬.৭২৪ অমসুং রেপিদ এন্টিজেন ২৯,৮০২) হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা টেষ্ট তৌখি। মদুদা মীওই ২৮,৩৯৫ কোভিদ পোজিটিভ ওইরমখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা পূন্না মীওই ১৯,৪৩০ কোভিদ ইনফেক্সন্দগী ফরকখি। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা দেল্লীদা পূন্না মীওই ৮,০৭,৩২৮ লায়না অসিদগী ফরে।

দেল্লীগী এক্টিভ কেস মশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৮৫,৫৭৫ য়ৌখি। ইনৌ নৌনা মীওই ২৭৭ শিখিবগা লোয়ননা কেপিটেলদা হৌজিক ফাওবদা কোরোনানা মরম ওইরদুনা শিখিবা মশিং ১২,৬৩৮ য়ৌরে। রাজিভ গান্ধি সুপর স্পেসিএল্টি হোস্পিটাল (আর জি এস এস)গী মেদিকেল দাইরেক্টর ডা. বি আই সের্ৱালনা হায়, ইনফেক্সনগী চাং অসিনা উৎলিবদি মীওই অহুমগী মনুংদা অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওই। মসি মীপাইনিংঙাই ওইবা ফিভমনি। মসিনা মরম ওইদুনা দেল্লীগী হোস্পিটাল কয়া পেসিএন্ট পাথোক্লে অমসুং ওক্সিজেন কোন্নদ্রে।

দোক্টর অমা ওইনা ঐহাক্না দেল্লীগী মীয়ামদা মী পুল্লগা উনবা লেপ্পবা অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিং অমসুং অতৈগা ফাওনবদা য়ারিমখৈ দিজিটেল রিছোর্সশিং শীজিন্নবা আপীল তৌরি।

দোক্টর অসিনা হায়, দেল্লীগী মীশিং অয়াম্বা দিজিটেল রিছোর্সশিং শীজিন্নবা ঙম্মী। হোস্পিটাল অমদা আই সী য়ু বেদ ৪০দমক লৈবা ওইরবদি মদুদা বেদ অমা মথৌ তারিবা ৪১শুবা পেসিএন্ট অমদি মতেং পাংবা ঙম্লরোই।

ওক্সিজেন সপোর্ট চঙবা অরুবা ফিভম লুবা পেসিএন্ট মশিং য়াম্না এদমিসন তৌবদগী ওক্সিজেন শীজিন্নবগী চাংসু কা-হেন্না ৱাংলে।

হৌজিক ওক্সিজেনগী মতাংদা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা পীবা ইকোন কোনবা অপদেটকী মতুং ইন্না, নিংথৌকাবা নুমিত্তা দেল্লীদা ওক্সিজেন এম টি২৪১ সপ্লায় তৌখি অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এম টি ৩৫৫.৩৩ সপ্লায় তৌখি। সিটি অসিগী হোস্পিটাল-শিংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পূং ৩ ফাওবদা ওক্সিজেন ষ্টোক পূন্না এম টি ৫০৮ লৈখি।

# লোকদাওন হায়বসি অরোইবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নগদবনি: প্রাইম মিনিষ্টর



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা কোভিদ-১০গী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্নরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা লোকদাওন থম্বা হায়বসি অরোইবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়খ্রে অমসুং মাইক্রো-কন্টেনমেন্ট জোনশিং শেম্বদা মীৎয়েং হেন্না চঙনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা আপীল তৌখ্রে।

পূং ২৪গী মনুংদা লৈবাক অসিদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা মীওই ১,৭৬১ শিবগী রিপোর্ট তৌখিবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্কী স্পীচতা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংনা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী খন্দুনা মখোয়বু থবক ফংহন্নবা শীনগদবনি। মাইগ্রেন্টশিং মথংগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ভেক্সিন কাপ্পগনি হায়বসি মখোয়দা খঙহন্নবসু মহাক্না ষ্টেটশিংদা আপীল তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙলিবদু ভেক্সিন মেন্যুফেকচররশিংগা লোয়ননা ভিদিও কনফরেন্সকী খুৎথাংদা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদনি। মীফম অদুদা মহাক্না ভেক্সিন মেন্যুফেকচরশিংদা খ্বাইদগী থুবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অসিগী সিটিজন খূদিংমক কাপ্পা য়াগদবা মওংদা ভেক্সিন শাবগী চাং হেনগৎনবা খঙহনখি।

লৈবাক অসিনা মীপাইনিংঙাই ওইবা মওংদা কোভিদ ইনফেক্সন শন্দোরকপদগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিবু লাকশিন্নবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনা চ্যের লৌদুনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা মীফম কয়া পাঙথোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্না লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা দোক্টরশিং অমসুং মরু ওইবা ফার্ম কম্পিনিশিংগা উনখি। মীফম অদুগী মতুংদা সেন্টরনা লৈবাক অসিগী মপূং মরৈ ফারবা মীওই খূদিংমক মে ১দগী ভেক্সিন কাপ্পা য়ারগনি হায়না লাউথোকখি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯ কেস মশিং ১,৫৩,২১,০৮৯ য়ৌখি অমসুং মমাঙগী পূং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ২,৫৯,১৭০ রিপোর্ট তৌখি। এক্টিভ কেস মশিংনা লাখ ২০ হেনখি।

# আর এস এসকী স্কুলশিং আইসোলেসন সেন্টরশিং হন্দোকখ্রে সেবকশিংনা কোভিদ পেসিএন্টশিং মতেং পাংলি



লক্ষৌ, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশতা তঙায় ফরক্লবদি রাস্ত্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)না চল্লাইবা স্কুলশিং- সরস্বাতি সিশু মন্দিরশিং অমসুং সরস্বাতি বিদ্যা মন্দিরশিং আইসোলেসন সেন্টরশিং ওন্থোক্লগনি।

য়ু পিদা ইনফেক্সন লাকশিনবগী ফিভম লৈরবসু ঐখোয়গী ওইবা থৌরাংসু শেম-শাদুনা লৈরে। মফম মফমগী তঙায় ফদবশিং য়েংলগা রিছোর্স শীজিন্নবা য়াহন্নবা তোঙান তোঙানবা প্রান্টশিংদা খঙহনখ্রে হায়না উত্তর প্রদেশ ক্ষেত্র সেৱা প্রমুখ নবল কিশ্বরনা ফোঙদোকখি।

আর এস এস সেন্ট্রেল য়ুনিটনা প্রান্ট খূদিংমক্তগী মীওই অনী পীরক্লবা খঙহনখি। লৈবাক অসিগী কোভিদকী ফিভম হেন্না লুশিল্লক্লবদি মখোয়না মথৌ তাবা মীওইশিংদা মতেং পাংগনি। মসিদা নত্তনা প্রান্ট খূদিংমক্তা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা আইসোলেসন্দা লৈবা মীওইশিংদা মেদিকেলগী মতেং নৎত্রগা চানবা পোৎলমশিং ফংহনবদা খুদোংচাহনগদবা অমসুং মতেং পাংগদবা আর এস এসকী ৱর্করশিং খল্লে।

প্রান্ট হায়বসি আর এস এসকী য়ুনিট অমনি। লৈবাক অসিদা প্রান্ট ৪৫ লৈ। উত্তর প্রদেশতা লৈরিবা প্রান্ট মশিং তরুক্লি। 'ক্ষেত্র হায়বসিনা এদমিনিষ্ট্রেসনগী খরা হেন্না চাওবা য়ুনিটনি। আর এস এসনা লৈবাক অসিবু ক্ষেত্র ১১ থোক্না খায়দোক্লি। য়ু পিদা ক্ষেত্র অনী লৈ। মখোয়দুদি 'পুর্বি য়ুপি' অমসুং 'পসচিম য়ুপি' অসিনি।

আর এস এসনা ফিভম লুশিল্লক্লবা সিটিশিংদা সমিতিশিংসু শেম্লে। স্বায়মসেবক হায়না খঙনবা আর এস এসকী ভোলন্টিয়রশিংনা পেন্দমিক মনুংদা মীয়াম্বু মেদিকেলগী মতেং অমসুং চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংহনবদা মতেং পাংলি।

খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিটতগী গ্রাসরূটস লেভেল ফাওবগী লিঙ্ক অমা শেমগৎপদা মীৎয়েং থম্মী। মদুনা মথৌ তারকপা মতমদা খূদক্তা থবক তৌবা ঙমহনগনি। ৱার্করশিং এক্টিভ ওইনা লৈহন্নবগীদমক্তা ফোন অমসুং ওনলাইন মিদিয়াগী খূথাংদা লেপ্তুনা ইন্টরেক্সন তৌনরি।

হৌজিক ফাওবদা মীয়াম্না কন্টেক্ট তৌরগা তান্নবা য়াবা এলোপেথিক, অয়ুরবেদিক অমসুং হোমিওপেথিক দোক্টরশিংগী ওইবা গ্রুপশিং শেম্লে। সোসল মিদিয়াগী খূথাংদা মখোয়গী মরমদা খঙহল্লে। মমাঙদসু মখোয়গী ওইবা কেম্প কয়া আর এস এসনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। অচুম্বা ত্রিটমেন্ট পীবা হায়বসিনা মীয়ামগী খ্বাইদগী মরু ওই হায়না কিশ্বরনা ফোঙদোকখি।

# ওক্সিজেন টেঙ্করশিং পুলিস প্রোটেক্সন পীরগনি

চান্দিগর, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): হরিয়ানাগী মেদিকেল-গ্রেদকী ওক্সিজেন পুরিবা টেঙ্কর খূদিংমক পুলিসপু ঙাক-শেলহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না ষ্টেট অসিগী হেল্থ মিনিষ্টর অনিল ভিজনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল কেপিটেল ফাওরগা পরিদবাদ হোস্পিটাল তম্না লাকপা ওক্সিজেন টেঙ্কর অমা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা লম্বীদা 'লুট' তৌখিবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর ভিজনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়গী ওক্সিজেন ষ্টোক মতিক চানা লৈ। ঐখোয়না হৌজিক ওক্সিজেন মেত্রিক টন ২৭০ পুথোক্লি। হান্না বদ্দিদগী ওক্সিজেন লৌরম্বদু হৌজিক হিমাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা সপ্লায় লেপখ্রে। রাস্থানগী ভিৱেদিদগী থারক্লম্বসু লেপখ্রে।

ষ্টেট অসিগী ওক্সিজেন প্লান্ট খূদিংমক্তা পুলিস ঙাক শেলহনখ্রে। অহানবদা ঐখোয়না হরিয়ানাগী মথৌ তাবা পূন্নমক হান্না কোন্নহনগদবনি। দেল্লীদা ওক্সিজেন পীনবা ঐখোয়দা প্রেসর পীরি। করিগুম্বা ওক্সিজেন লেম্বা তারবদি ঐখোয়না পীগনি। মদুদা প্রোব্লেম লৈতে হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লম্বীদা টেঙ্কর 'লুট' তৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী থৌদোক অদু লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা হোম পোর্টফোলিওসু পায়রিবা ভিজনা হায়, হৌজিক ওক্সিজেন পুরিবা টেঙ্কর খূদিংমক পুলিসনা ঙাক-শেল্লগনি।

# আর্ট ওফ লিভিংনা কোভিদ থেংনবদা মতেং পাংলগনি

ভোপাল, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসনি (এন জি ও) 'আর্ট ওফ লিভিং'না মধ্য প্রদেশতা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন থেংনবদা মতেং পাংলগনি হায়না আর্ট ওফ লিভিংগী ফাওন্দর শ্রীশ্রী রবি শঙ্করনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহানগা টেলিফোনদা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱারী শানবা অদুদা চৌহাননা হায়খি, কোভিদ-১৯ ইনফেক্সেনগী মায়োক্তা ইম্যুনিটি ফংগৎহন্নবা অমসুং ভাইরস অসিনা শোকহল্লবশিংগী হকশেলগী ফিভম ফংগৎহন্নবা য়োগ অমসুং অয়ুবেদগী মতেং লৌরগনি। পেসিএন্টশিংবু ৱাখল শোন্থহনবা অমসুং মখোয়গী মোরেল ৱাংখৎহন্নবগীদমক আর্ট ওফ লিভিংগী টীমনা য়োগ, অয়ুরবেদগী খূথাংদা সপোর্ট অমসুং মথৌ তাবা গাইদেন্স পীগনি।

কোভিদ-১৯ ইনফেক্সননা মরম ওইদুনা পোত্থাফম খঙলত্তবা, পূক্নিং লাংতক্নরকপা, ৱাখল ৱারকপনচিংবা ফিভমশিং হন্থহন্নবা পেসিএন্টশিংদা গাইদেন্স মতিক চানা পীদুনা লায়েংলিঙৈ মনুংদা হকচাং ফংগৎলক্কদবা অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক চাহনগনি।

ভিদিও কোলশিং অমসুং ফোন কোলশিংগী খূথাংদা য়োগ, প্রনায়াম, অসানাশিং অমসুং চীঞ্জাক্কা মরী লৈননা হোম আইসোলেসন অমসুং কোভিদক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা গাইদেন্স পীগনি। থবক অসিবু জান অভিয়ান পরিষদনা কোওর্দিনেট তৌগনি।

# কোভিসিল্ড লুপা ৪০০ অমসুং ৬০০তা ফংহল্লগনি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): মালেম পূম্বদা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন হায়না খঙনবা কোভিসিল্ড ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা দোজদা লুপা ৪০০দা অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদনা দোজদা লুপা ৬০০তা য়োল্লগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টনা মে ১দগী চহী ১৮ মথক্কী মীওই পূম্বা ভেক্সিন কাপ্পা য়াহনখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী বাইওটেক্নোলোজি অমসুং ফার্মাস্যুটিকেলস কম্পনি অমা ওইরিবা এস আই আইনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্লকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফার্মা কম্পনিশিং, দোক্টরশিং, হেল্থ, দ্রগসকা মরী লৈনবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমসুং ওফিসলশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা ৱারেপ অসি লাউথোরকপনি।

ইন্দিয়াগী ভেক্সিনেসন দ্রাইভ থুজিল্লগনি হায়বা গভর্ণমেন্টকী ৱাফম সেরম ইন্সটিট্যুটকী চীফ অদার পুনাৱালানা তরাম্না ওকখি। মহাক্না হায়, পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা দিরেক্টিভশিং অসিনা ভেক্সিন পুথোকপা হেনগৎহন্দুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং, প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অমসুং ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংবু হকথেংননা ভেক্সিন ফংবা য়াহল্লগনি।

# মীরোনবী নুপীশিং কোভিদ রিপোর্ট য়াওদনা এদমিসন য়াহল্লগনি

লক্ষৌ, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): মীরোনবী নুপীশিংদা খুদোংচাহনদবা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা অসিগুম্বা নুপীশিং কোভিদ রিপোর্ট ঙাইদ্রবসু হোস্পিটালশিংদা এদমিট তৌদুনা মেদিকেল ক্যের ফংহনবা য়ারগনি হায়না লক্ষৌ দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট রোসন জেকোবনা ওর্দর অমদা হায়খ্রে।

কোভিদ রিপোর্ট য়াওদবা মীরোনবী নুপীশিং হোস্পিটালশিংগী মপান্দা, ষ্ট্রেটচরশিংদা অমসুং এম্বুলেন্সশিংদা ঙাইহল্লে হায়বা রিপোর্ট খরা ফোঙনরকখিবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ওর্দর অসি থোকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী ওর্দর অদুনা হায় মদুদি, হোস্পিটালশিংদা মীরোনবী নুপীশিংগী রিজর্ভ এরিয়া অমা শেম্বা মথৌ তাই অমসুং পেসিএন্টশিং খূদক্তা য়েংশিনগদবনি। এদমিট হেক তৌবগা হোস্পিটাল অদুদা কোভিদ প্রোটোকোল ইন্দুনা পেসিএন্টশিং টেষ্ট তৌবা অমসুং মথৌ তাবা মেদিকেল মতেং পীবা য়াই।

মীরোনবী নুপী এদমিট তৌদবা তারবদি পেন্দমিক এক্টকী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎপা য়াই হায়না ওর্দর অদুনা মখা তাখি।

# প্রিজনর ৫ রাজস্থানগী নোখা জেলদগী নান্থোকখ্রে

জয়পুর, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): রাজস্থানগী ফালোদি জেলদগী প্রিজনর ১৬ নান্থোকখিবা থা মখায় অমরোমগী মতুংদা ইনমেট ৫ বিকানর দিষ্ট্রিক্টকী নোখা জেলদগী চেনখ্রে।

থৌদোক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদা থোকখিবনি। জেলদগী নান্থোকখ্রবা প্রিজনরশিং অদু ফানবগীদমক বিকানরদগী থংনবা দিষ্ট্রিক্টশিং ফাওরিবা লম্বীশিং থিংজিনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি প্রিজনরশিং অদুগী লংলা লংজিন খঙবা ঙমদ্রি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, প্রিজনর মঙানা জেলদগী নান্থোকখিবদু নোংয়াই মতুং পূং ২.৩০রোম তাবদনি। মতমদুদা প্রিজনরশিংদুনা ৱিন্দো ফক্কায়খি অমসুং ব্লাঙ্কেট শীজিন্নরগা জেলদগী ৱালশিংদগী নান্থোকখি।

# টামিল নাদুনা কোভিদ ভেক্সিন ৱেষ্টেজ খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট ওইরে




চেন্নাই, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): ষ্টেট কয়ানা কোভিদ ভেক্সিন কোন্নদ্রে হায়নরিঙৈদা ষ্টেট কয়া অমনা য়াল্লবা ভেক্সিনশিং অরেম্বদা মাঙহল্লে হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে। ভেক্সিন দোজশিং অরেম্বদা খ্বাইদগী য়াম্না মাঙহনবা ষ্টেট অহুমদি টামিল নাদু, হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবনি।

কেরেলা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, হিমাচল প্রদেশ অসি কোভিদ ভেক্সিন অমত্তা অরেম্বদা মাঙহন্দবা ষ্টেটশিংনি।

আর টি আই অমগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা পীবা দেটাগী মতুং ইন্না, চাদা ১২.১০গী চাংগা লোয়ননা টামিল নাদুনা ভেক্সিন ৱেষ্টেজগী চাং খ্বাইদগী ৱাংখি। অতৈ ৱেষ্টেজ ৱাংবা ষ্টেটশিংদি হরিয়ানা (চাদা ৯.৭৪), পঞ্জাব (চাদা ৮.১২), মণিপুর (চাদা ৭.৮০) অমসুং টেলঙ্গনা (চাদা ৭.৫৫)নি।

অসামগী ৱেষ্টেজ চাং চাদা ৭.৬৯নি। বিহারগীনা চাদা ৮.৯৯নি অমসুং চান্দিগর, দেল্লী অমসুং রাজস্থানগীনা মথংশীৎনা চাদা ৬.৯৩, চাদা ৬.১৫ অমসুং চাদা ৬নি।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট নিপালদা হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন ৱেষ্টেজ অমত্তা থোক্ত্রি। জিরো ৱেষ্টেজ ষ্টেটশিং অদুদি কেরেলা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, হিমাচল প্রদেশ, মিজোরাম, গোৱা, দামান অমসুং দিয়ু, অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎশিং অমসুং লক্ষদ্বীপ অসিনি। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা এপ্রিল ১১ ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১০ হেন্না কাপখি।

ভেক্সিন চাকথুংগী চাং অসি ষ্টেটশিংগী পর্ফোমেন্সকী মখা পোনগনি হায়না থেংখাং কয়াদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মসিগী স্যেরদগী ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা এক্টিভ কোভিদ কেস মশিং অমসুং পর্ফোমেন্সকী মখা পোন্না ভেক্সিন চাকথুংগী চাং লেপকনি। ক্রাইটরিয়া অসিদা ভেক্সিন অরেম্বদা মাঙহনবসু খন্নগনি।

মথক্কী ক্রাইটরিয়া অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ষ্টেটশিংগী ক্কোটা লেপকনি অমসুং ষ্টেটশিংদা মাঙজৌননা খঙহনগনি হায়না য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা এপ্রিল ১৯দা লাউথোকখি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মে ১দগী চহী ১৮গী মথক ওইবা মীওই খূদিংমক কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা ভেক্সিন কাপ্পা য়াহল্লে।

# গোৱাদা কোভিদ কেস ৱাংখৎলক্লে

পানাজি, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): গোৱাদা নোংমদা পাঙথোকপা কোভিদ টেষ্ট মশিং হেনগৎপদগী ষ্টেট অসিদা থেংনবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন মশিংসু হেনগৎলক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্তনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসনা নোংমদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগা লোয়ননা পূং ২৪গী মনুংদা ইনফেক্সন মশিং ১,১৬০ য়ৌখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদি মশানসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা ষ্টেট পূম্নমক্কী ওইনা লোকদাওন অরোইবা পাম্বৈ ওইহনগদবনি হায়খিবা লৈরে হায়রদুনা সৱান্তনা গোৱাদসু লোকদাওন থম্বগী ৱাফম লৈতে হায়খি।

সৱান্তনা হায়খি, গোৱাদা কোরোনাভাইরস কেস মশিং হেনগৎলক্লিবসি হৌজিক টেষ্ট মশিং হেন্না তৌবদগীনি। মমাঙদা টেষ্ট ২০০০ তৌরম্বদগী হৌজিক্লা ৩,২০০ রোম তৌরে।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি মদুদি গোৱাদা কোভিদ-১৯না শিহনবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লে। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোভিদ-১৯ পেসিএন্ট ২৬ শিখি। মরু ওইনা মখোয়না হোস্পিটালদা এদমিট তৌবা থেংখিবা ঙাক্তনি।

মীশিংনা য়ুমদা কিনা ফমদুনা লৈনরি। মদুগী মহুত্তা মখোয় কোভিদ-১৯ ফেসিলিটিশিং নৎত্রগা হোস্পিটালশিংদা এদমিট তৌগদবনি। অরোইবা ষ্টেজদা ঐখোয়না করিমত্তা তৌবা ঙমদে। অনীশুবা ৱেভ অসিনা চহী ৫০ মখাগী মীওইশিংদা চৈথেং পীরক্লি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা উনরবা মতুংদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দেল্লীদগী হল্লকখিবা সৱান্তনা গেৱাগী কোভিদ-১৯ ফিভমগী মরমদা শাহদা কূপ্না তল্লম্লে হায়নদু ফোঙদোকখি।

"হোম মিনিষ্টরদা গোৱাগী কোভিদকী ফিভম অমসুং পেন্দমিক অসিগা মরী লৈননা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং, ওক্সিজেন অমসুং ঈদাক লাংথকশিং ফংবগী ফিভম লোয়ননা পোলিটিকেলগী ওইবা ইস্যু কয়া খঙহনখি।"

রেকোর্দ ওইবা মওংদা কেস হেনগৎলক্লিবসি য়েংলগা গোৱাদা লোকদাওন থল্লক্কদ্রা হায়না হংবদা সৱান্তনা হায়, লোকদাওন তৌবগী ৱাফম লৈরোই। প্রাইম মিনিষ্টরনা লেকদাওন হায়বসি অরোইবা পাম্বৈ ওইহনগদবনি হায়খ্রে। মরু ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপা লৈরবসু মীফম লোইরগা লাউথোক্কনি। কোভিদ-১৯ কন্ট্রোলগা মরী লৈনবা থৌরাংশিং খন্ননবগীদমক্তা সৱান্তনা চ্যের লৌদুনা য়ুমশকৈশাগী নুমিদাং অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

# পোজিটিভ ওইবা জেল ইনমেটশিংগী মনুংদা ইন্দ্রানি মুকর্জিয়া য়াওরে



মুম্বাই, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): মী হাৎপগী মরাল শিরবা ইন্দ্রানি মুকর্জিয়া য়াওনা বাইকুলা ৱিমিন্স জেলগী নুপী ইনমেট ৩৯লোম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগা লোয়ননা আইসোলেসন সেন্টর অমদা থমখ্রে হায়না মুম্বাইদা ওফিসল ছোর্সশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা বাইকুল্লা ৱিমিন্স জেলগী নুপী অমা য়াওনা প্রিজনর অমসুং জেল ওফিসল ৮০রোম পোজিটিভ ওইখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। মতুং তাবদা মফম অদুদা লৈরিবা নুপী ৩৫০ টেষ্ট তৌখি অমসুং মখোয়গী মনুংদা মীওই ৩৯ পোজিটিভ ওইরমখি। মখোয় অয়াম্বা অকনবা লাইওংশিং চেনখিদে।

চেকশিন থৌরাং ওইনা মখোয় অনকপা স্কুল অমদা শেম্বা টেম্পররি আইসোলেসন সেন্টর অমদা হোংজিনখি অমসুং সী সী টি ভি য়াওনা নুপী পর্সনলশিংনা চেকশিন্না ঙাক-শেন্দুনা ক্বারন্টিন তৌখি। মখোয়বু দোক্টর অমসুং মেদিক্যের ষ্টাফ অহুম্না য়েংশিনখি।

হান্না মিদিয়া কম্পনি অমগী এগজিক্যুটিভ ওইরম্বী ইন্দ্রানি মুকর্জিয়া কুমজা ২০১২দা থোকখিবা মহাক্কী মচানুপী শীনা বোরাবু তমথিবা মওংদা হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মরু ওইবা সস্পেক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইনা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ২৫দা ফাখিবদগী জেলদা লৈরকখি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎ মনুং চহী অমরোমগী মনুংদা মহারাষ্ট্রগী জেল ৪৭তা প্রিজনর ২৬০রোম অমসুং জেল ষ্টাফ ১০০ হেন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। মদুনা হেল্থ অমসুং হোম দিপার্টমেন্টকী ওথোরিটিশিংবু ৱাহনখি। জেলদা ইনফেক্সন থিংনবগী পান্দমগা লোয়ননা চহীদা ইনমেট ৩৫,০০০ রোম লৈবা ষ্টেট অসিদা প্রিজনশিং কোমহন্নবগীদমক্তা প্রিজনর ৭২০০ থাদোকপা য়াওনা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎখি।

# ইন্দিয়াগী কোভেক্সিন দব্বল ম্যুটেন্ট য়াওনা ভেরিএন্ট কয়া হাৎপা ঙম্মী

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী মরু ওইবা বাইওটেক্নোলোজি কম্পনি ভারত বাইওটেকনা পুথোকপা কোভেক্সিন অসি য়ু কে, ব্রাজিল অমসুং য়াম্না শাথিরবা মহারাষ্ট্রদা থেংনরকখিবা দব্বল ভেরিএন্ট য়াওনা সার্স-কোভি-২গী হাৎতোকপা ঙম্বগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়না ইন্দিয়ন কাওন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্চ (আই সী এম আর)না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কোভেক্সিননা সার্স-কোভি-২গী তোঙান তোঙানবা ভেরিএন্টশিং হাৎতোকপা ঙম্মী অমদি মসি দব্বল ম্যুটেন্ট ষ্ট্রেন ফাওবদা হাৎতোকপা ঙম্মী হায়না আই সী এম আরনা ত্বিট অমদা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াদা নোভেল কোরোনাভাই-রসকী অনীশুবা ৱেভপু শাথিহল্লিবা দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিএন্ট অসি ইন্দিয়াদা শাজবা কোভেক্সিননা নীংথিনা থেংনবা ঙম্মী হায়না আই সী এম আরনা মখা তারি। আই সী এম আর, নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি (এন আই ভি) অমসুং ভেক্সিন মেন্যুফেকচরর ভারত বাইওটেক পুল্লগা কোভেক্সিন পুথোকখি।

হন্দক্তা আই সী এম আর অমসুং এন আই ভিনা ইন্দিয়া অমদি লৈবাক কয়াদা ফংলিবা ভাইরস অসিগী দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিএন্ট অসি আইসোলেট তৌরবা মতুংদা কলচর তৌখি। মদুদা ভেক্সিন অসিনা শাথিরবা দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিএন্ট হাৎপা ঙম্মী হায়বসি খঙবা ঙমখি। হাৎতোক্লবা কোরোনাভাইরস শীজিন্নরগা শেম্বা ওইবনা কোভেক্সিন অসি ইনএক্টিভ ভেক্সিন অমনি হায়না খন্নে। মসি মীওইবগী হকচাংদা কাপশিনবা মতমদা রেস্পোন্স অমা থোকহনবগা লোয়ননা হকচাংনা অশিবা ভাইরস অদু মশক খঙদোক্লগা এন্টিবোদিশিং পুথোকই। মরম অদুনা অহিংবা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা পীরকপা উরবদি এন্টিবোদি মরাং কায়না পুথোক্লবা শেম শাই। ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোরোনাভাইরসকী দব্বল ম্যুটেন্ট ভেরিএন্ট অসি ন্যুজিলেন্দ, য়ু কে, য়ু এস, হোং কোং, সিঙ্গাপোর অমসুং পাকিস্থান য়াওনা লৈবাক কয়াদসু লৈরে। মী শিহনবসু অতৈ ষ্ট্রেনশিংদগী দব্বল ম্যুটেন্ট ষ্ট্রেন অসিনা হেল্লি।




কোভেক্সিন অসি কোভিদ-১৯ লায়েংদা ইমর্জেন্সি য়ুজ ওথোরাইজেসন (ঈ য়ু এ) ফংলবা ভেক্সিন অনীগী মনুংদা অমনি। মসি ইন্দিয়া অমসুং অতৈ লৈবক কয়াদা শীজিন্নরি। রসিয়াগী স্পুটনিক-ফাইভসু ঈ য়ু এ ফংলে। ভেক্সিন অসি থা অসি লোইদ্রিঙৈদা শীজিন্নবা হৌরগনি।

অষ্ট্রা জেনেকাগী কোভিসিল্ড অমসুং ভারত বাইওটেককী কোভিক্সিন অনীমক লৈবাক অসিগী অনৌবা কেসশিংদা দোমিনেন্ট ওইরিবা ম্যুটেসন অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ু কে ভেরিএন্ট থেংনবদা ইফেক্টিভ ওই হায়না সিনিয়র ওফিসলশিংনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখি।

ভারত বাইওটেকনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন-কোভেক্সিন শাবগী কেপাসিটি চহী অমদা দোজ মিল্লিয়ন ৭০০তা হেনগৎলে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ভেক্সিন মেকর অসিনা লাউথোকখি। কম্পনি অসিনা থা অসিদা দোজ মিল্লিয়ন ২০লোম শারিবা অমসুং মমাঙগী থাদা দোজ মিল্লিয়ন ১৫রোম শাখিবগী মায়োক্তা মথং থাদা কোভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ৩০ শাগনি হায়না ভারত বাইওটেককী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর কৃষ্ণ ইল্লানা ফোঙদোকখ্রে।